ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬

# রোমারিককী অথেংবদা চনখিবা পাঞ্জলনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিবু আইএসএলগী সেমি ফাইনেল আশা লৈহনখ্রে



নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী সিদ রোমারিকনা কাউশিনখিবা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা কিক অমা

*গুৱাহাটি, নবেম্বর ২২ ঃ*

হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ সিজন থ্রিগী ঙসি গুৱাহাটিদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোই সি রোমারিকনা থেংনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা এফসি পুনে সিটিবু মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিদা সেমি ফাইনেল য়ৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে।

পনবা য়াই নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ মেটচ অসি শান্নদ্রিঙৈ মাওইননা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ১০ শান্নবদা মেটচ ৩ থোইরগা ২ দ্রো চৎলগা ৫ মায়থিদুনা পুন্না পোইন্ট ১১ ফংলগা ৭ শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। অমরোমদা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা এফসি পুনে সিটি মেটচ ১১ শান্নবদা মেটচ ৪ থোইরগা মেটচ ৩ দ্রো চৎলগা ৪ মায়থিদুনা পুন্না পোইন্ট ১৫ ফংলগা লীগ টেবল অসিগী ৩ শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অসি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা থোরবা মতুংদা পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ১৪ ফংলগা চেন্নাইন এফসিগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা হেন্দুনা ৭ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

ঙসি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা য়ুম্বু ওইদুনা গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধি এঠলেটক্সি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ভাবক ১৮,০০ হেনবনা মীৎয়েং তাখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপা মতমদা য়ুম্বু নোর্থ ইষ্টনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু পুনেগী দিফেন্দরশিংনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা তৌরকখিবা এটেকশিং অদু ফজনা ঙাক-শেন্দুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা পীখিদে।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমগী মায়োক্তা এটেক ফনা কন্না চথনখ্রবসু পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু য়ুম্বু টিম অদুগী মায়কৈদগী মেটচ অদু মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী প্রেসর অমা লৈখিবনা এটেক অদুমক তৌদুনা লৈখি। অদুবু মতম কুইনা পাঞ্জল ওন্থোকপগী খুদোংচাবা ফংবদি ঙমখিদে।

শান্নরোই লোইশিল্লকদৌরবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা টিম অদুগী মায়কৈদগী মেটচ অদু থোইননবা হোৎনরকখি। নোর্থ ইষ্টকী মায়কৈদগী কোর্নর কয়া ফংখি অদুবু পাঞ্জল ওন্থোকপগী তাঞ্জা ফংখিদে।

মুম্বাইনা চথরকখিবা এটেক অমদা পুনেগী পেনাল্টি বোক্স মতোন য়ৌশিল্লক্লবদা পুনেগী শান্নরোইশিংনা ফাউল তৌরুবগীদমক নোর্থ ইষ্টনা ফ্রি কিক অমা ফংখি। মদুগী খুদোং চাবা লৌরগা শান্নবগী ৮১ শুবা মিনিটতা সি রোমারিকনা কিক অদু কাউশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা মেটচকী লেমহৌবা মতমদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা পুনে সিটি এফসিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**Match on 23/11/2016**

**Mumbai City FC vs Chennaiyin FC**

**ISL SE ASON 3, 2016**

| POS | TEAMS | M | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | MUMBAI CITY FC | 12 | 5 | 4 | 3 | 14 | 8 | 6 | 19 |
| 2 | DELHI DYNAMOS FC | 11 | 4 | 5 | 2 | 21 | 14 | 7 | 17 |
| 3 | FC PUNE CITY | 12 | 4 | 3 | 5 | 12 | 14 | -2 | 15 |
| 4 | KERALA BLASTERS FC | 11 | 4 | 3 | 4 | 9 | 13 | -4 | 15 |
| 5 | ATLÉTICO DE KOLKATA | 11 | 3 | 6 | 2 | 13 | 12 | 1 | 15 |
| 6 | NORTHEAST UNITED FC | 11 | 4 | 2 | 5 | 9 | 9 | 0 | 14 |
| 7 | CHENNAIYIN FC | 11 | 3 | 5 | 3 | 13 | 15 | -2 | 14 |
| 8 | FC GOA | 11 | 3 | 2 | 6 | 8 | 14 | -6 | 11 |

# মণিপুরগী সর্জুবালা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডালিষ্ট সোনিয়া লাথর মায়থিহৌরে

*হরিদ্বার, নবেম্বর ২২ ঃ*

উত্তর প্রদেশকী সহর হরিদ্বারদা পাঙথোক্লিবা নেসনেল ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী বোক্সর সর্জুবালা দেবী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। অমরোমদা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬ কী সিলভর মেডালিষ্ট সোনিয়া লাথর মায়থিহৌরে।

উত্তর প্রদেশকী সহর হরিদ্বারদা লৈবা রিজার্ভ পুলিস লাইন হোলদা পাঙথোকখিবা নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা মণিপুরগী সর্জুবালানা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা মীজোরামগী রেবেক্কা লালবু য়াম্না কন্না মায়োক্নখিবা বাওট অমদা পোইন্ট ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী মণিপুরগী সর্জুবালা

বাওট অদুদা মণিপুরদগী সর্জুবালানা মহাক্কী ওইথংবা খুৎকী পঞ্চ শিজিন্নদুনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা মীজোরামগী রেবেক্কা লালগা থিন্নখিবা মরম্না অহানবা রাউন্দ অনীদা পোইন্ট লৌবা ঙমখিবনি।

বাওট অদু লোইরবা মতুং মশাগী চহী ২৩ খক্তা ঙাইরিবী মণিপুরগী বোক্সর সর্জুবালানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি থিন্নখিবা বাওট অদু মহাক্না মায়োক্নবা বোক্সরদগী তৌরকপা এটেক খুদিংমক নিংথিনা দিফেন্স তৌবা ঙমখি লোয়নন্না মশা শোক্তনবা মতম পুম্নমক্তা হোৎনখিবনা বাওট অমা মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়খি।

কেজি ৫১ গী কাঙলুপ্তা ২০১৬ কী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিন্সিপ্তা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবী সোনিয়া লাথরবু উত্তরাখন্দগী বোক্সর মিনা বিষ্টনা পোইন্ট ২-১ দা মায়থিবা পীখিবদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী লৈহৌরে।

কেজি ৫১ গী কাঙলুপ্তা হান্নগী নেসনেল চেম্পিয়ন মীজোরামগী ভনাল দৌতি রেলৱেজগী মিনাক্সিগী মখুত্তা পোইন্ট ১-২ দা মায়থিখ্রে। বাওট অদুদা মিনাক্সিনা মহাক্কী মায়োক্নবা লম্বাবু য়েৎ অমসুং ওইগী হুকশিং শিজিন্নদুনা অহানবা রাউন্দ অনী অদুদা নীংথিনা পোইন্ট ফংবা ঙমখিবনি।

কাঙলুপ অসিমক্কী অতোপ্পা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মণিপুরগী ৱাই সন্ধ্যারানিনা রাজস্তানগী নেহা ভাম্বুবু রাউন্দ মপুং ফাহন্দনা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কেজি ৬৪ গী কাঙলুপ্তা মণিপুরগী কে পর্বেসপু প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা দিল্লিগী অকাঙ্কসা মিশ্রাগী মখুত্তা ১-২ দা মায়থিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৬৯ গী কেটেগোরিদা মণিপুরগী বোক্সর মেমথোই দেবীনা সিক্কিমগী বোক্সর প্রিতি গুরুংবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি কেজি ৮১ গী কেটেগোরিদা অন্ধ্র প্রদেশকী পি সরোজাবু মায়থিবা পীরম্বী রেলৱেজগী কে বগ্যবতি, পঞ্জাবগী নিন্দরজিৎ কোরবু য়াম্না হেন্দুনা পোইন্ট ৩-০ দা মায়থিবা পীরম্বী হরিয়ানাগী স্বিটি বুরানি।

কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা মহারাস্ত্রাগী আরতি বোসলেবু পোইন্ট ৩-০ দা মায়থিবা পীরম্বী এআইপি গী কবিতা, চান্দিগরগী সিফালিবু পোইন্ট ৩-০ দা মায়থিবা পীরম্বী তামিল নাদুগী জে কুমারী, দিল্লিগী রাস্কাবু মায়থিবা পীরম্বী রেলৱেজগী মিনা রানি অমসুং উত্তরাখন্দগী ববিতা বিষ্টপু পোইন্ট ২-১ দা মায়থিবা পীরম্বী অরুনাচলগী রুমি গোগোইনি।

কেজি ৮২ গী কেটেগোরিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি সিমা পুনিয়া অমসুং কবিতা চাহলনি।

# এসি মিলান অমসুং ইন্টর মিলান দ্রো চৎখ্রে, নিসনা সেন্ট ইটৈনি থোইখ্রে

*মিলান। পেরিস, নবেম্বর ২২ ঃ*

মালেমগী ফুটবোল লীগশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা লীগ অমা ওইরিবা সেরি এ গী মেটচ অমদা এসি মিলান অমসুং ইন্টর মিলান পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। অমরোমদা ফ্রান্সকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লীগে ৱানগী মেটচ অমদা সেন্ট ইটৈনি অমসুং নিস পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেরি এগী এসি মিলান অমসুং ইন্টর মিলানন্না শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্নরা শান্নরকখিবনা মতম কুইনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।


অহানবা হাল্ফ লোইরমদাইদা এসি মিলানগী সুসোনা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ১-০ দা ইন্টর মিলানদগী মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হৌরকপা শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনিটতা ইন্টর মিলানগী শান্নরোই এ কান্দ্রেভানা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১ দা লৈখি।

শান্নবগী ৫৮ শুবা মিনিটতা এসি মিলানগী অহানবাপাঞ্জল চনবা ঙমখিবা সুসোনা পাঞ্জল অমা অদুগা ইন্টর মিলানগী শান্নরোই আই পেরিসিক্না শান্নবগী ৯০ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমমম হাপচিল্লবা মতুং মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

লীগে ৱানগী মেটচ অমদা নিসনা সেন্ট ইটৈনিবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

# ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি ৪ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে



*দুবাই, নবেম্বর ২২ ঃ*

মালেমগী ইন্টরনেসনেল টেষ্ট ক্রিকেটকী খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোলি বেটসমেনশিংগী রেঙ্কিংদা ৪ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি ক্রিকেট মশান্নগী টি-২০ গী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ভিরাট কোলিনা মাঙজৌনন্না মকোক থাদুনা লাক্লিবনি। অদুবু টেষ্ট ক্রিকেটকী মশান্নদা ভিরাট কোলিনা চথরিবা মেটচ অদুদা পুন্না পোইন্ট ৯৭ ফংদুনা মালেমগী টেষ্ট ক্রিকেটকী শান্নরোইশিংগী রেঙ্কিংদা ৪ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৮ দা ঙাইরিবা ভিরাট কোলিনা মখা তানা ইন্দিয়াগী চান্দিগরদা লৈবা মোহালি সহরদা শান্নগদবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ফজবা ঙম্নবদি টেষ্ট ক্রিকেটকী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা শান্নরোই অদুগী মফম য়ৌবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা লাক্লি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারা মমাঙদা ১০ শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী রেঙ্ক অমা হাইগৎতুনা ৯ শুবদা লৈরি। মহাক্না ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংসতা রন ১১৯ লৌবা ঙমখিবা অমদি অনীশুবা ইন্নিংসতা শুপ্পগী রন ১ খক লৌখিবা অদুনা বেটসমেনশিংগী রেঙ্কিংদা ৯ শুবদা লাকখিবনি।

নাকল অমরোমদা ইংলেন্দগী ৱিকেট কিপরসু ওইরিবা বেটসমেন জোনি বার্ষ্টো অমসুং ওল-রাউন্দর বেন ষ্টোক্স মখোয়-মখোয়গী পার্ফোমেন্স ফজবনা মরম ওইরগা পোজিসন হাগইৎপা ঙল্লি।

বার্ষ্টোক ১২ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎলি অদুগা বেন ষ্টোক্সনা হান্না ৩৭ শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী ২৮ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙল্লি।

# হৌখিবা চহী ৪ দা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ৩৭৯ দোপ টেষ্ট তৌবদা ফেল ওইখি

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২২ঃ*

ইন্দিয়াগী নেসনেল এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিনা ফংখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা চহী ৪ অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদা শরুক য়ারিবা শান্নরোই ৩৭৯ দোপ টেষ্ট তৌবদা ফেল ওইখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা বিজয় গিওলনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা শান্নরোইশিংনা মখোয়-মখোয়গী মশান্নগী এসোসিয়েসনশিংদগী লাকখিবা পাউগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৬ কী লোইশিল্লকপদা পুন্না ইন্দিয়াগী শান্নরোই ৩৭৯ দ্রগ শিজিন্নরম্বগী মরালদা বুক তৌখ্রে হায়রি।

চৎলিবা অসিগী ওক্তোবর থা লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ৬৮ দোপ টেষ্ট তৌনবগী খুদোং চাবা পীখ্রবসু শরুক য়াখিদবা মরম্না হৌখিবা চহী ৪ অসিদা মখোয় ৬৮ থারগা ইন্টরনেসনেল এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়াগী অপুনবা দ্রগ শিজিন্নরম্বগী চিংনবা লৈরিবা শান্নরোই ৩৭৯ শুখিবনি।

ইন্দিয়াগী এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিনা ফোঙদোরকপদগী মতুংইন্না ৱার্ল্ড এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিগী চৎন-কাঙলোন অদু মখা তানা মপাঙ্গল লৈননবা হোৎনবগীদমক্তা মখোয়গী মখাদা লৈরিবা নেসনেল এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিগী ওফিসিয়েলশিং মপুং ফানা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা তাঙ্কক অমা লাক্লি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই ৩৭৯ দোপ টেষ্টতা ফেল ওইরবসু মখোয়-মখোয়গী মশান্না অদুদা মখা তানা ইন্টরনেসনেলগী ওইবা থাক্তা শরুক য়াবগী তাঞ্জা লাক্লবদি লৈবাক অসিদা চৎনরিবা অনৌবা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা শরুক য়াবা য়াগদৌরি।

# হোক্কি ইন্দিয়া লীগ মথং চহীগী জনুৱারী ২১ দগী হৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২২ ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা হোক্কি টুর্নামেন্টকী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা হোক্কি ইন্দিয়া লীগ ২০১৭ মথং চহীগী জনুৱারী ২১ দগী ফেব্রুৱারী ২৬ ফাওবা মুম্বাইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লগনি হায়না হোক্কি ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

চথগদৌরিবা লীগ অসিগী অহানবা মেটচতা য়ুম্বু মুম্বাইগী টিম ওইরিবা দবং মুম্বাই অমসুং হান্নগী লীগ অসিগী চেম্পিয়ন রাঞ্চি রেজগা থেংনরগনি।

পনবা য়াই হোক্কি লীগ অসিগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা শান্নরোই অদু ইন্দিয়াগী গুরবাজ সিংহনা য়ুএস দোলর ৯৯,০০০ দা রাঞ্চি রেজনা লৈখিবনি। অমরোমদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা জর্মনিগী ফোরৱার্দ শান্নরোই খৃষ্টোফর রুরনা য়ুএস দোলর ৭৫,০০ দা লৈদুনা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা অনীশুবা শান্নরোই ওইদুনা রাঞ্চি রেজনা লৈখিবনি।

হোক্কি ইন্দিয়াগী চিয়রমেন নরিন্দর ধ্রুবনা ফোঙদোকখিবদা পাঙথোক্লিবা লীগ অসিগী ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা মশান্না অসি চাওখৎনবগীদমক পাঙথোকপনি হায়খি।

# চাইনা ওপন টাইটল লৌরবা মতুং সিন্ধুনা হোং কোং ওপনদা মীৎয়েং থল্লি

*কোলুন, নবেম্বর ২২ ঃ*

হন্দক্তা চাইনা ওপন ৱার্ল্ড সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী কেরিয়রগী মখা তাবা লম্বেলদা হোং কোং ওপনদা অচৌবা মীৎয়েং থল্লি।

থা অসিগী ২১ দা শান্নখিবা চাইনা ওপন সুপর সেরিজ বেটমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা কুমজা অসিগী রিও ওলিম্পিক গেমসকী সিলভর মেডল ফংখিবী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী কেরিয়রগী মখা তাবা খোঙথাংদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকীদমক অচৌবা থাজবগা লোয়নন্না শেম শারি হায়খি।

সিন্ধুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী বেদমিন্টনগী পুৱারীদা অনৌবা লমায় অনী ইবা ঙমখি। ওলিম্পিকক্তা অহানবা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনদা সিলভর মেডল ফংবা শান্নরোই ওইখি। মদুগী মতুংদা চাইনাগী সহর ফুঝৌদা ঙরাং পাঙথোকখিবা চাইনা ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টনগী টাইটল অদুসু মহাক্না লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না ফাইনেলদা চাইনাগী ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোই সুন য়ুবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখিবনি।

# ফিদে ৱুমেন্স ৱার্ল্ড চেছতা ইন্দিয়াগী দ্রোনাভালি হরিকা দ্রো চৎখ্রে

*কান্টি-মান্সিক, নবেম্বর ২২ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ফিদে ৱুমেন্স গ্রান্দ প্রি চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকানা ৩ শুবা রাউন্দগী গেম অমদা য়ুম্বু লৈবাক নাটালিয়াগা লম্বা তৌনখিবদা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে। দ্রো চৎখিবা অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকা হান্না লৈরম্বা পোজিসন্দগী হাইগৎতুনা জোইন্ট ৮ তা লৈখিদুনা শান্নরোই ৫ গী মনুংদা চনবা ঙম্নবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গেম অদুগী হৌরকপদগী হৌনা ইন্দিয়াগী দ্রোনাভালি হরিকানা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা য়ুম্বু লৈবাক রুশিয়াগী শান্নরোই নাটালিয়া পোগোনিনাবু য়াম্না য়াম্না লাকচনা শান্নরকখিবনি। অদুবু অরোইবমদা গেম অদু দ্রো চত্তুনা লোইশিনখি।

# এলিনা বেসনিনা অমসুং একাটেরিনা মকারোভানা রুশিয়ান টেন্নিস প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে



*মোস্কো, নবেম্বর ২২ঃ*

নুপীগী টেন্নিস মশান্নদা মমিং লৈরবা রুশিয়াগী শান্নরোই ইলিনা ভেসনিনা অমসুং একাটেরিনা মকারোভানা রুশিয়ান টেন্নিস প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে। ৱাফম অসি রুশিয়াগী চহীগী ওইবা নেসনেল টেন্নিস এৱার্দ রুশিয়ান কপকী থৌরম অমদা টেন্নিসকী লমদা মখোয় অনীনা লৈবাক অসিগীদমক লৌখিবা থৌদাংশিং অদুগীদমক ইকাই খুম্নবা উত্তুনা মনা অসি লাওথোকখিবনি।

পনবা য়াই হন্দক্তা ওগষ্ট থাদা ৱ্রাজিলগী সহর রিওনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী দবলসকী টেন্নিসতা রুশিয়াগী ইলিনা ভেসনিনা অমসুং একাটেরিনা মকারোভানা গোল্ড মেডল লৌখিবনি।

ইলিন ভেসনিনা অমসুং একাটেরিনা মকারোভানা ফোঙদোকখিবদা মখোয় অনীনা অঙাং ওইরিঙৈদা টেন্নিস শান্নরকখিবদা খ্বাইদগী হেন্না খঞ্জখিবসি ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াদুনা মেডল অমা লৌবা ঙম্বা অদুনি। অদুবু মখোয়গী মঙলান অদু রিও ওলিম্পিকক্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবদগী মঙফাওনরে হায়খি।

মখোয় অনীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফংলিবা গোল্ড মেডল অসি মখোয়গী কোচ, ইমুং মনুংশিংগী মীওইশিং অমসুং মখোয়বু থাজবীখিবা ময়াম অদুনা ফংবা ঙমখিবনি হায়খি। মখোয়গী পামজবদি তুংদা লৈবাক অসিগী টেন্নিসপু পামজবা অঙাংশিংবু শেমগৎপনি হায়খি।

# নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ্তা হান্নগী নেসনেল চেম্পিয়ন ভিদিট অমসুং অরাভিন্দ মায় পাক্তুনা ৬ শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

*লক্ষ্ণৌ, নবেম্বর ২২ঃ*

উত্তর প্রদেশকী সহর লক্ষ্ণৌনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ৫ শুবা রাউন্দগী গেমশিংদা হান্নগী নেসনেল চেম্পিয়ন অমসুং ইন্দিয়াগী অহানবা সিদেদ গ্রান্দমাষ্টর ভিদিট গুজরাথি অমসুং অরাভিন্দ চিথাম্বরম মায় পাক্তুনা ৬ শুবা রাউন্দ চঙখ্রে।



ঙরাং শান্নখিবা ৫ শুবা রাউন্দগী গেম অমদা হান্নগী নেসনেল চেম্পিয়ন ভিদিট গুজরাথিনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা অভিসেক কেলকরবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা পোইন্ট ২.৫ ফংদুনা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা গেম অমদা ইন্দিয়াগী ৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই অরাভিন্দ চিথম্বরমনা এম কার্থিকেয়ানবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা শ্রিরামবু থোইরম্বা এস রবি টেজাগা পুন্না পোইন্ট ৪ / ৪ ফংলগা পুন্না অহানবা পোজিসন্দা লৈমিন্নরি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৫ শুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ৬ শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি পোইন্ট ১ ফংদুনা লৈরিবা সুর্য প্রনিথপু মায়থিবা পীরম্বা পোইন্ট ৩ ফংলিবা দি বি চন্দ্র প্রসাদ, পোইন্ট ৩ ফংদুনা লৈরিবা এস নিটিনবু মায়থিবা পীরম্বা পোইন্ট ২ ফংলিবা টেজাস বাক্রেনি। অমরোমদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৫ শুবা রাউন্দগী গেম অমদা পোইন্ট ১.৫ ফংলিবা অভিজিট কুন্টে অমসুং পোইন্ট ৩ ফংদুনা লৈরিবা বি অধিবান দ্রো চৎখি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*